

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, APRIL 04, 2019 PAGE 7

*ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী কোচ ওইনবগীদমক এপ্লাই তৌরকখ্রবা মমাঙদা ফ্রান্সকী ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরম্লবা রেমন্দ দোমেনেচ*

*মেক্সিকোদা চত্থরিবা দব্লিয়ু টি এ মোন্টেরি ওপন টেন্নিসকী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক করবর*



## দাংমৈ গ্রেসকী পাঞ্জল অনীনা ইন্দিয়ানা ইন্দোনেসিয়াবু অহানবা মেটচতা পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মন্দলে, এপ্রিল ০৩ঃ*

ম্যান্মারনা য়ুম্মু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র রাউন্দ টুগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা গাংমৈ গ্রেসকী পাঞ্জল অনীনা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না ইন্দোনেসিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মন্দলেদা লৈবা মান্দালারথিরি ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়া অমসুং ইনে দানেসিয়ানা শান্নখিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়রগী রাউন্দ টুগী অহানবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোই সঞ্জু অমদি রতনবালা দেবীনা পাঞ্জল চনশিন্নবা কন্না হোৎনদুনা লাকখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থবা ঙমদুনা লাকখ্রবসু ইনে দানেসিয়াগী দিফেন্দরশিং য়াম্না ফজ খিবদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা সঞ্জুনা পীরকপা ক্রোস অমদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই অমনা শোয়বদগী আওন গোল ওইরমগদবদগী শম্নাদা লিংহৌখি।

মখা তানা শান্নরকপদা ইনি দয়াগী শান্নরোই সন্দিয়ানা অনকপা মফমদগী কাওশিনখিবা সোট অমা ইন্দোনেসিয়াগী গোলকিপর রিস্কা জুলিয়ান্টিনা ফাখিবদগী ইন্দিয়ানা পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোং চাবা অমা মাঙজখি।



শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা ইনি দয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মণিপুর মচা দাংমৈ গ্রেসনা মেটচকী অয়াম্বা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থরবা ইনে দানেসিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা বোল তোয়না–তোয়না পুশিন্দুনা এটেক চত্থরকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন দরশিংগী ফিভম ফজখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা ইন্দোনেসিয়াদগী ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ইনি দয়াগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈরকখ্রবা মতুং মেটচকী ৬৭শুবা মিনটতা টিম অসিনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সুমিথ্রা কামারাজনা ইন্দোনেসিয়াগী গোল তম্না থাজিনখিবা সোট অমা গোলকিপর রিস্কা জুলিয়ান্টিনা ঙাকথোরকপদা ফিভম ফজনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই দাংমৈ গ্রেসনা বোল অদু নীংথিনা কলেক্ট তৌদুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা ইন্দিয়ানা ইন্দোনেসিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিহনখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৩ রোমগী মতম অদুদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী ওলিম্পিক ক্বালিফায়র রাউন্দ টুগী গ্রুপ বিগী মেটচ অদু ইনি দয়ানা ইন্দোনেসিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

## ইন্দিয়াগী সিন্ধু অমদি শ্রিকান্থ মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, সাইনা অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে



*কোলালম্পুর, এপ্রিল ০৩ঃ*

মালেসিয়াগী কোনুং কোলাম্পলম্পুরদা শান্নরিবা য়ু এস দোল্লর ৭০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধু অমদি কিদম্বী শ্রিকান্থ নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, লৈবাক অসিগী নুপী সট্টলর সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন দগী মেটচ অমদা জপানগী আয়া ওহোরিবু ষ্ট্রেট গেম ২২–২০, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই সুং জি হ্যুনগা লম্বা তৌনরগনি।

সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুননা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী ফিত্রিয়ানীবু ২১–১৫, ২১–১৫ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী সট্টলর সাইনা নেহৱালনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিদা সিদ্দিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবী থাইলেন্দগী শান্নরোই পি চোচুৱোংগী মখূত্তা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২২–২০, ১৫–২১, ১০–২১ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

থাইলেন্দগী চোচু ৱোংনা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী অতোপ্পা শান্নরোই এন জিন দাপোলবু ২১–১৩, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্বা মালেসিয়াগী গো জে দব্লিয়ুগা লম্বা তৌনরগনি।

মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী কিদম্বী শ্রিকান্থনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন দগী মেটচ অমদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই মুষ্টোফাবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৮, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী কে ফেটপ্রাদাবকা লম্বা তৌনরগনি।

থাইলেন্দগী ফেটপ্রাদাবনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী লিবু ২১–১৫, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রনোই অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী এস থাম্মাসিনগী মখূত্তা গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১২–২১, ১৬–২১, ১৪–২১ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

ইন্দিয়াগী প্রনোইবু মায়থিবা পীরম্বা থাইলেন্দগী এস থাম্মাসিননা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী কে সুনেয়ামাগা লম্বা তৌনরগনি। জপানগী সুনেয়ামানা অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী চোংবু ২১–১২, ২১–১২ দা থোইরম্বনি।

চাইনাগী লিন দাননা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৩–২১, ২১–১৯, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী এভিহিংসানগা লম্বা তৌনরগনি। এভিহিংসোননা অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী লি বু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–১৭, ১৯–২১, ২১–১৫ দা থোইরম্বনি।

## ইটালিগী সেরি এদা জুবেন্টসনা কাগলিয়ারিবু ২–০ দা থোইখ্রে স্পেনগী লা লীগাদা বার্সেলোনা অমদি ভিলারিয়েল দ্রো চৎখ্রে

*রোম, এপ্রিল ০৩ঃ*

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন জুবেন্টসনা কাগলিয়ারিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা বার্সেলোনা অমদি ভিলারিয়েল পাঞ্জল ৪–৪দা দ্রো চৎখ্রে।

জুবেন্টস অমদি কাগলিয়ারিনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী শান্নরকপা ২২শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী শান্নরোই লিওনার্দো বোনুচিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচ লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা মোইজ কিননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা মিলান অমদি উদিনিজ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

শান্নবগী ৪৪শুবা মিনটতা মিলানগী শান্নরোই পিয়াটেকনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা মিনট ৬৫ চঙশিল্লকপদা পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা উদিনিজকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা কেভিন লাসাগনানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুদা মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।



বার্সেলোনা অমদি ভিলারিয়েলনা শান্নখিবা স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অদুগী ১২শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই ফিলিপ কোটিনহোনা পাঞ্জল অমা চনশিন দুনা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী ১৬শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী অতোপ্পা শান্নরোই মালকোমনা পাঞ্জল অমগা চনশিন দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

২৩শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী শান্নরোই সামুয়েল চুক্বেজনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা বার্সেলোনানা ভিলারিয়েলবু ২–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ৫০ অমদি ৬২শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী শান্নরোই কার্ল টোকো অমদি ভিসেন্ট ইবোরানা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা ৩–২ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮০শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী কার্লোস বাক্কানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৪–২ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অরোইবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই লিওনেল মেসিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ৩–৪ দা শোত্থদুনা লৈখ্রবা মতুং ইনজুরি টাইমদা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই লুই স্বারেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৪–৪ দা দ্রো চৎখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা জিরোনাবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

## মুগুরুজা অমদি করবর মোন্টেরি ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*মোন্টেরি, এপ্রিল ০৩ঃ*

মেক্সিকোগী সিটি মোন্টেরিদা চত্থরিবা দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা অমদি জর্মনিগী এঞ্জেলিক করবর সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

মোন্টেরি ওপন অসিগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী লোয়ননা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন স্পেনগী গার্বিন মুগরুজানা অহানবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী রুজবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৭–৬(৭–৪) দা মায়থিবা পীল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌদুনা রুশিয়াগী এম গাস্পারিয়ানগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিক করবরনা অহানবা রাউন্দদা স্লোভাকিয়াগী কে কুকোভাবু ৭–৬(৭–৪), ৬–২ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। করবরনা অনীশুবা রাউন্দদা জেক রিপব্লিক্কী কে মুচোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

৫শুবা সিদেদ বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকানা ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা জপানগী এম কাটোবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা কজাখষ্টানগী জেট দিয়াসকা লম্বা তৌনরগনি।

মোন্টেরি ওপন অসিদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রুশিয়াগী পাব্লিয়ুচেনকোভানা অহানবা রাউন্দদা অতোপ্পা রুশিয়াগী শান্নরোই এ ব্লিনকোভাবু ৬–০, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২–৬, ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্বী সর্ভিয়াগী আই জোরোভিসকা লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রান্সকী শান্নরোই খৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা টুর্নামেন্ট অসিদা ৭শুবা সিদেদ ওইনা অহানবা রাউন্দদা ব্রাজিলগী বি হাদ্দাদ মাইয়াবু ৬–৪, ১–৬, ৭–৬(৭–৫) দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী এল অরুবারেনাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ৭–৫, ৩–৬, ৭–৫ দা থোইরম্বী ওষ্ট্রিয়াগী জি অনগা লম্বা তৌনরগনি।

## ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ১৪শুবা মেটচতা রাজস্থান রোয়েলসনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে

*জয়পুর, এপ্রিল ০৩ঃ*

মালেমদা পাঙথোকপা টি–২০ ক্রিকেট লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ওইরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১৪শুবা মেটচতা রাজস্থান রোয়েলসনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী টোস রাজস্থান রোয়েলসনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৫৮ লৌবা ঙমখি।

রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফজখ্রবসু মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেনশিং মপুং ফানা রন লৌবা ঙমখিদবদগী মখোয়গী অপুনবা স্কোর অদু ৱিকেট ৫ তুরগা শুপ্নগী রন ১৫৮ খক লৌবা ঙমখিবনি।

মখোয়গী ইন্নিংস অসিদা ওপনর পার্থিভ পটেলনা বোল ৪১ দা সিক্স ১ অমদি ফোরে ৯ য়ৈরগা রন ৬৭ লৌখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

রাজস্থান রোয়েলসনা মায় পাক্নবগী রন ১৫৯ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা শুপ্নগী ৱিকেট ৩ খক আওট ওইরগা রন ১৬৪ লৌখিবদগী মেটচ ৱিকেট ৭ তা মায় পাকপা ঙমখি।

রাজস্থান রোয়েলসকী ইন্নিংস অসিদা ওপনর জোস বট্টলরগী বোল ৪৩ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৫৯ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

অহুমশুবা বেটসমেন স্টিভ স্মিথ অমদি রাহুল ত্রিপাথিনা মথংশিংনা রন ৩৮ অমদি ৩৪ লৌরম্বা অদু টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

## খুবাক খুখিদবা সিন অমনা মায় পাক্লবা ড্রামা ‘তীর্থ চৎপা’

**কাপাইমো উরিপোক**

পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুম্মৈ ২০১৯, ওঝানা ইবিরম্বা ৱারী মচা অমসুং শৈরেংদা য়ুম্ফম ওইরগা লমদমসিগী কংথোকপতনা শরুক ওইরগা য়াম্না ৱানা লৈরিবা ড্রামা সংস্থান খরনা ড্রামাটাইজ তৌদুনা ড্রামা ওইনা উৎপা কুম্মৈ পরিং অমগী মনুং চনবা নীনিচনবা নুমিৎতা উৎখিবা ড্রামা মমিং ‘তীথ চৎপা’ য়েংলুবদা য়েংলিঙৈ অমদি লোয়রগা য়ূমদা হল্লকপগী লম্বীদা ফাওরকখিবা পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা খরা ইচম চম্বা ৱাহৈনা মহুৎ শীল্লগা য়ূম হেক য়ৌবগা চেকলম পায়দুনা খোৎচিনহৌবদুনি ঐনা ঙসি পাওচেসিগী খুত্থাংদা থমজরিবসি। তশেংবমক ঐহাক্না সাহিত্যগা মরী লৈনবা অমদি ড্রামা লীলা কয়া তারুরগা য়েংলুরগা মোৎ ইবা ক্রিটিক তৌবা মী অমদি নৎতে অদুবু শান্নবগা মরী লৈনবদা অখঙবা থেংনবা খরা ইবা মোৎ পীবা পামজবা অমা ওইনদি লৈজরিবা অমনি।

কাংজম ওঝা পদ্মকুমারনা ইবীরম্বা ৱারী মচাশিংগী মনুংদা ‘তীর্থ চৎপা’ ৱারী মচাসি হিন্দু ধর্ম্মগী লাইনিং লাইশোল চৎপা খুন্নাই অমদা চহী নৌনা য়ূম্বান লম্বীদা খোঙদারুরবী নুপী কয়ানা মৱা মপুরোইবা শিখ্রবা মতুং দা থেংনহৌরিবা ধর্ম্মগী ওইবা চৎনবীগী পন অমগা লোয়ননা অৱা মৈশা লাংলবী নুপীজা কয়া অসিগী পূন্সি শক্তম্বু উরুরগা খল্লুরগা নুপীগী পূন্সিবু নুংশিজবা পামুজবা ওইনা চৎনবীগী পন অসিবু নমখাইবা শুকয়ামক য়াররোইদ্রা হায়না অপাবশিংদা পাওখোংগুম্বা কিশি অমা ওইনা থল্লগা খূৎ থারম্বা ৱারী মচানি হায়বা তাই।

ওঝানা ইরম্বা ৱারী মচা ড্রামা ওইনা অমুক লেংথোকপা ক্ষেত্রি সনাজাওবা অমসুং ড্রামা ওইনা অমুক লেংথোকপা (দিরেক্টর) নন্দকুমার মোইরাংথেম অনীমক ঐগা নকশিন্ননা খঙনরুবা তিন্নরুবা অমত্তা নত্তবনা মখোয় অনীবু থোইনা হেন্না শক্তাক্লুবগী পাঙ্গল লৈতে অদুবু ঐনা খল্লি ড্রামা অসি য়েংলুরবা মতুংদা মখোয় অনীমক লমসিদা মীয়াম্না শকখঙনরবা মায় পাক্লবা মীশক অমমমদি শোয়দনা ওইরগনি হায়না। অদুবু নন্দকুমারদি সিনেমাদা ড্রামাদা শক্তম লাংবা (এক্টর) অমা ওইনদি উখ্রে।

অহোংবা খুন্নাইগী মচৎনি, মপানথোংগী ওইবা অহোংবনা খুন্নাই অমগী চৎন–লোনচৎ, য়ূম্লে কৈরৈ, হিংবগী থাক মথং মথং হোংদুনা লাক্লি ঙসিসু মীওইবা খুন্নাইসিদা অদুবু হোংদবা অমদি লৈরি মীওইবনা হোংহনবা ঙমদবা হোংহন্নবা হোৎনরবসু মায় পাক্তবা অমখক্তি ‘পোকপা অমসুং শিবা’ সিনি। শিবনা মরম ওইরগা লুহোংবা চহী ওনদ্রিঙৈদা মপুরোইবা শীখ্রবা নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবী চুং ফিরাল চারবী মশক মতৌ ফজখ্রবী চঙখোল্লবী সনাহনবীনা লৈখিদ্রবা মপুরোইবগী ফোটোদা চৎনবী অমা ওইনা ধূপ থাওমৈ থাদুনা খুরুমজবগা লোয়ননা পূক্নিংদা ফাওরকপা নিং ঙমদবগী নুংশি মৈচাক্না তেংথা নাওইরগা মখোল থোক্না কপচ–লাওজবনা ড্রামা অসিগী অহৌবা সিন ওইনা হৌরকখিবা ড্রামাগী মচৎ লোইবা ফাওবা অয়েংবা মীপুম খূদিংমকপু ৱারীনি ড্রামানি হেক কাউথোকহন্দুনা মাঙদা হৌজিক–হৌজিক থোক্লিবা অহিংবা অমগী মচৎতা চেক মোক লাওদনা হুমদুনা পুরগা উৎখিবা ড্রামানি হায়না জ্ঞান তারকপদা অইবগী থম্মোইনুংগী ওইবা থল্লম্বা ৱাহৈ কয়াবু হৈ–শিংলবা অইবা অমনা অমুক ড্রামাটাইজ তৌদুনা দিরেক্তর অমসুং ড্রামা শক্তম লাংলিবা লাংলিবীশিংনা অহিংবা অমা ওইনা মথৱাই হাপ্তুনা অয়েংবশিংদা শংশংনা উৎতুনা অয়েংবা পূম্নমক্কী পূক্নিং ৱাখলদা ধর্ম্মগী ওইবা চৎনবী অমা ওইনা নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবী নুপীচাশিংদা ঙসিগী খুন্নাইসিনা য়েংলিবা মীৎয়েং অমসুং থাংজিল্লিবা খোঙথাং অসিবু চুন্নিব্রা লাল্লিব্রা হায়বা ৱাহং অমা মশা মশা মতোমতা হংজহনখিবা লাং তক্লহনখিবা ড্রামাগী খূৎপুথোক ওইবসিনি। ড্রামাগী ময়ায় তাঙ্কক খরা লাম্থোকলকলবা সিন অমদা অয়েংবা মীপুম খুদিংগী পূক্নিং ৱাখলবু লাংতক্লহল্লগা থম্মোইবু ময়ায় থিঙ্গাংদা চপ চানা নৈরগা থমখিবা তাঙ্কক্কী সিন অমা হায়বা তারবদি সিন খুদিংগী অরোইবগী মৈ মমফাৎত্রিঙৈদা অপেনবা নুংঙাইবগী খুবাক প্রোক–প্রোক খুন্নবদু খুখিদবা সিন অমা য়াওখিবসিনি। মীওইবগী ঙাইহাক্কী ওইবা পূক্নিং ৱাখলগী ইহুল হায়বদো। সিনগী মতাংদি সনাহনবীনা মানা তৌগদবা অনিংবা অপাম্বা অমদি মপুরোইবগী ফিরোইগী ওইবা মথৌ মঙম পূম্নমক শ্রী ধাম নবদ্বিপ্তা লৈবা অনুপ্রভুগী আগ্রাদা (মমাঙ) পাঙথোক্লবা মতুং সনাহনবীনা মানা লাকপা নুমিৎতগী নুমিৎ খুদিংগী নোংঙাল্লমদাই মতমদা ইবুঙোগী মন্দিরবু শিৎ শেংদুনা লৈরিঙৈ নোং’মা তাঞ্জাদা মমি শামি ওইনা হাইফেৎতং উখিবা শকফম অমনা অশেংবগী ওইনা মাঙদা শং শংনা লেপ্পরগা সনাহনবী নঙনা পামজরিবা নিংজরিবা বৃন্দাবন তীর্থ চৎনিংবদু করিমত্তা কাইদনা চৎপা য়াগনি মাগা চৎমিন্নসি হায়না আনুপ্রভুগী মশাইকোনগী মপু ওইরিবা নহা পাখঙ গৌরহরিনা হৌদোক্লমদাইগা মথং নুমিৎতা মফমসিমক্তঃদা মতমসিমক্তদা অমুক উনসি অদুগা মাগী মরমদা খঙনিংবা লৈরগসু সনাখ্যা সনায়াইমদা হংবা য়াগনি হায়রম্লগা চৎখিবদা সনাহনবীগী খুইথরুরবা পূক্নিং ৱাখল অমুক নৌহৌনা মতোল চোংলক্কদৌবা মানবগুমসু তৌবা হায়ফম তৌফম খঙদনা গৌরহরিনা চৎখিবা মায়কৈদা য়েংলগা লৈহৌবা মীৎকুপকী ওইবা সিনসিমদি অয়েংবা পূম্নমক সনাহনবী বৃন্দাবন চৎহন্নীংবা চৎহন্নীংদবা চৎলুরগনা গৌরহরিনা লৌখিগদ্রা চৎত্রগনা করি তৌবা হায়না সনাহনবীবু পাম্মুজরিঙৈ নুংশিরুরিঙৈ য়েংলিবসি ড্রামানি ৱারীনি কাউহনখিবনা সিনসিমদি খুবাক খুবা কাউখিবজাৎনি। অদুবু অমুক পেন্না খুখি খুবাক প্রোক–প্রোক অরোইবগী সিনদা লাইনিংবী নুপী অমনা দ্রর্শন শাষ্ট্রগী ওইবা পাওতাক কয়া অমা পীদুনা সনাহনবী নমদুনা অনৌবা পূন্সিগী মাইয়োন অমদা খোঙ থাঙহনখিবা মীৎকুপ্তা গৌরহরিনা সনাহনবীগী ফিরোল হাপ্পা খাও পায়রগা ড্রামা লোইশিনখিবা মীৎকুপসিনা পাওজেল্লি মদুদি নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবী কয়াবু নমথদুনা থম্বগী চৎনবী থাদোক্লসি মতম ওইদ্রে।

মতম অমদদি ড্রামা ওইনা ড্রামা অইবনা ইরকপা ৱারী পরিংদা শান্নরম্বনি অদুবু হোংলক্লিবা মতম অসিগী ওইনদি ড্রামা ওইনা অতম্নুনা ইবা নৎতবা সাহিত্যগা মরী লৈনৈ হায়না লৌরিবা শৈরেং অমসুং ৱারী মচা কয়াদগী ড্রামাটাইজ তৌদুনা মীয়াম মাঙদা মীয়াম্বু পূক্নিং চীংশিনবা ঙম্নবা হোৎনবা অমসুং হোৎনবা হায়বসি অরাইবা থবক অমদি ওইরোই অদুবু চাংয়েং অমা ওইনা হোৎনবদি লেপ্তবা তারি ঙসিগী ড্রামাগীদমক লেপ্লিবশিংনা পৃথিবীগী ওইনা হোংলক্লিবা ড্রামাগী ওইবা অনৌবা মচৎ কয়াসিগা ইরোইননা কোস্মোপোলিটান ড্রামাটিক য়ুনিয়নবু থাগৎচরি।

| ক্রোসৱার্দ ১২১ গী পাউখুম | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| I | S | E | E | | A | R | A | B | S | | S | T | A | T |
| M | A | K | E | | T | I | M | E | I | | A | R | L | O |
| P | I | E | R | S | O | F | T | H | E | R | E | A | L | M |
| A | D | O | | S | P | F | | E | S | E | | P | F | C |
| I | N | U | S | E | | R | I | A | T | A | | D | O | A |
| R | O | T | H | | Q | A | N | D | A | | G | O | U | T |
| | | | A | C | U | F | F | | | B | O | O | R | S |
| | H | A | V | E | A | F | E | W | B | I | E | R | S | |
| N | O | V | E | L | | | R | E | I | N | S | | | |
| O | M | E | N | | S | O | N | I | C | | A | G | O | G |
| T | E | M | | D | E | F | O | G | | S | T | O | V | E |
| A | R | A | | D | E | F | | H | B | O | | N | E | T |
| B | U | R | S | T | S | I | N | T | O | T | I | E | R | S |
| I | L | I | E | | A | C | H | E | S | | R | O | D | E |
| T | E | A | M | | W | E | L | D | S | | K | N | O | T |